HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



দিষ্ট্রিক্ট মিল্লিনিয়র ফার্মর এৱার্দ ২০২৫ ফংলকখ্রবা কাঙবম ইন্দিরা অমসুং ময়েংবম রঞ্জিতাবু থৌবালগী কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) না এগ্রিকলচর লোয়শঙগা খূৎশম্নদুনা তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা

লৌশীং পূক্কে : ওলিভ ওইল চাবনা ঐখোয়গী... লামায় ২
লামায় ৪ মণিপুরদগী কান্নদ্রবা মীতোপ হলহনখিবা- ঈং তপ্পা...
মীনম নমথাক য়াদবা মতিক ময়াই লৈবা লাই... লামায় ৫
লামায় ৬ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লেবর কোদ ৪ অসি মণিপুরগী...
য়ু জি সী, এ আই সী টি ঈ, এন সী টি ঈবু... লামায় ৯
লামায় ১২ এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টঃ এম পি এ থৌনাওজম...


ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী পল্লেল খোংনাং অচৌবদা লৈবা সোশল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন (এস দি ও) লিংখৎখিবগী ৩৪শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরমদা উৎখিবা নাৎকী জগোয়



Vol. 49, Issue No. 252 | লৈবাকপোকপা, পোইনুগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, December 16, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## সেন্টরগী লুচিংবশিংনা খংকৌ কৌরকপদগী বি জে পি-এম এল এশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা মীফমদা শরুক য়ারুরবসু লৈঙাক শেম্বদি তাম্না লৈরি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা টেলিফোন তৌদুনা খংকৌ কৌরকপদগী পি আর লৈঙাক থুপচিল্লগা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা অথুবা মতমদা শেমহল্লক্লগনি হায়বগী মঙলানগা লোয়ননা দেল্লীদা চঙশিন্নদুনা ঙরাং পার্টি অসিগী মফম অদুদা লৈবা হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকপা মীফমদা শরুক য়ারুরবসু অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক হন্না লৈহল্লকপগী ৱাফমদি তাম্না লৈরি।




পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা ঙরাংগী মীফম অদু পার্টি অসিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) বি এল সন্তোস অমসুং পার্টি অসিগী নোর্থ-ইষ্টকী কো-ওর্দিনেটর সম্বিত পাত্র অনীনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তগী মীতৈ এম এল এশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা অথুবা মতমদা লৈহনবা চুমগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লবা য়াওরবসু মীটিং অসিবু প্রিপাইদ তৌখিবা বি জে পিগী লুচিংবা অনীগী মায়কৈদগীদি হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসিগী মহুত্তা মহৌশাগুম্না হায়ৱেশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনবগা লোয়ননা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবনা মাঙজিল থাবা থবক ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

লান অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফালদা খক নত্তনা এসেমব্লিদা ফাওবা লাক্তুনা মীফমদা শরুক য়াবা য়াদ্রিবা অসিগী মহুত্তা কুকি-জোগী মীওইশিংবু মহৌশাগুম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনবগা লোয়ননা এসেমব্লিদা মসিগী মেম্বর পুম্নমক মশীং শুনা লাকপা ঙমহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা মহৌশাগী ফীভমশিংদা হঞ্জিলহল্লবা মতুং মথং চহী ২০২৬কী জন্যুৱারী ১৪গী মতুংদগী অনৌবা লৈঙাক অমুক হন্না শেম্বগী ৱাফম খন্নবা য়াই হায়নসু ফোঙদোরক্লে হায়রি।

মরম অসিনা পার্টিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা এম এল এ মশা-মশাদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মোটবুংদগী মাও ফাওবগী মরক্তা পুলিস চ্যেক পোষ্ট অমসুং ষ্টেশনশিংনা ইল্লিগেল ওইনা শেল লৌরে হায়না গভর্ণরদা ৱাকংখ্রে

### মাও গেটতা এন্ট্রি তৌবদা শেল পীয়ু হায়রকপদগী ৱারু-নুংলু থোক্লদুনা টি খুলেনদা অহিং লেক্লগা ইম্ফালদা লাকখিবা ওইল টেঙ্করশিংদা অমুক হন্না কাংপোকপীদা শেল পীয়ু হায়রকপদগী ৱাথোক ওইরে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**
অসামগী খটখতিদগী দিজল পুরকপা ওইল টেঙ্কর তরেৎনা ঙরাং অয়ূক মাও গেট য়ৌশিল্লকপদা মফম অদুদা লৈরম্বা মাও পুলিস ষ্টেশনগী পর্সনেলশিংনা এন্ট্রি তৌবদা লুপা ৫০০/৫০০দগী হৌরগা লিশীং ১/১ ফাওবগী শেনফম পীগদবনি হায়রকপদগী ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্করস দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী মশক নাইবা মীওই অমনা ইম্ফালদা লৈবা দি জি কন্ট্রোলদা টেলিফোনগী খৃথাংদা ৱাকৎপদগী এন্ট্রি তৌরবসু শেল লৌদনা মাও গেট লানশিলহল্লকখ্রবসু য়েৎনরিঙৈদা মতম মাঙবদগী ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা ঙরাং অহিং টি খুলেনদা অহিং লেক্লবা মতুং ঙসি অয়ূক ইম্ফালগীদমক লাকপদা কাংপোকপীদসু অমুক হন্না এন্ট্রি তৌবদা শেল লৌগনি হায়রকপদগী ৱাথোক ওইনখ্রে হায়রি।

নেশনল হায়ৱে ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা ওইল টেঙ্করশিংদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি য়াম্না তোয়না চথরক্লে হায়রদুনা ঙসি শঙাকফম কৈথেলদা হেদ ওফিস ওইরিবা ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্করস দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরিনা গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা ৱাকৎখ্রে হায়রি।



কংলাতোংবী বজার বোর্দকী হাথিখোয়া গ্রাউন্দদা মীফম পাঙথোক্তুনা ইল্লিগেল টেক্সকী মায়োক্তা খন্নখিবা

য়ুনিয়ন অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই দি পিশিংবু দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়বা দিমান্দ কনশিলহন্দুনা কোকোমিনা মোইরাংগী রিলিফ কেম্পতা য়ারেকখ্রে





**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**
মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তিবা মণিপুরগী তমথীরবা লাননা মরম ওইরদুনা তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু লৈঙাক্লা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চৎলিবা দিসেম্বর থা অসিগী মনুংদা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং হেন্না কনশিলহন্দুনা অহানবা ওইনা কোওর্দিনেশন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## সুপ্রিম কোর্টনা মিনট ৪৮ শাংবা ওদিও ক্লিপ অদুগী মনুংদা মতেক খরদমক ফোরেন্সিক এগজামিনেশন তৌরিবা করিগীনো হংখ্রে

### বিরেনগী ওদিও টেপনি হায়বগী চার্জ তৌরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা ৱাকৎকী ৱায়েল চথরি

**ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :**
মে ৩,২০২৩দগী মণিপুরদা থোরকখিবা ফূরুপ অনীগী অকনবা লানগা মরী লৈননা নাকল অমদা শৌগৎপা ৱাফমশিং ফোঙদোকই হায়বগী চার্জ তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেনগী খোঞ্জেলনি হায়বা 'ওদিও টেপ' গী ক্লিপিং খরগা কোন্ননা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ত্রষ্ট (কোহুর) না ফাইল তৌরকখিবা ৱাকৎকী মখা তাবা ৱায়েল চথরি।

ঙসিসু পিটিশন অসিগী মখা তাবা ৱায়েল এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং অলোক অরাধেগী বেঞ্চনা লৌখৎখি।

বেঞ্চ অসিনা পিটিশন অসি লৌখৎলকপদা কোর্টকী মায়কৈদগী চথরক্লিবা পিটিশন অসিগী ৱায়েলগী মনুং চন্না পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ২০দা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেভিটতা করিগীদমক ওদিও টেপকী ক্লিপিংশিং অদুগী এনালাইসিস তৌনবগীদমক শুপ্পনতগী খনগৎলবা ক্লিপিং খরদমক থারিবনো হায়না হংলকখিবনি। এফিদেভিট অসিদা ৱাহং অসি হংলকপদগী ঙসিগী বেঞ্চকী মায়কৈদগীসু থবক অসিদা 'লিট্টল দিষ্টর্ব' খরা য়াওরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মিনট ৪৮ শাংবা ওদিও ক্লিপ অদুমক গান্ধীনগরগী নেশনল ফোরেন্সিক সাইন্সেস য়ুনিভর্সিটিদা থাবগী মহুত্তা খরখত্তমক করিগী থারিবনো হংখি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, বিরেনগী ওদিও টেপনি হায়বা ক্লিপিংশিংগী এনালাইসিস তৌখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মায়কৈদগী পীরকপা রিপোর্টতা মখোয়না এনালাইসিস তৌবা ক্লিপিংশিং অদু 'টেম্পর তৌরে মরম অসিনা অশেংবা খঙবা ঙমদ্রে' হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

পিটিশন অসিগী মসিগী ৱায়েলদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগীদি পিটিস্নর ওইরিবা কোহুরনা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেভিট অদুগী কোপিশিং মখোয়দা পীরক্তি হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টনা এফিদেভিট অদু নখোয়গী খূৎতা য়ৌরক্তবসু মসিনা ফোঙদোক্লিবদি এনালাইসিস তৌনবগীদমক অপূনবা ক্লিপিং থাবগী মহুত্তা খনগৎলবা খরখত্তমক থারে হায়বনি হায়রদুনা কোর্টনা ওদিও ক্লিপিংশিং অদুগী চপ চাবা অশাংবা কয়ানো হায়বা খঙবা পাম্মী হায়খি।

মসিদা কোহুরগী ...মখা লমায় ৮ কলম ৫

### মীওই অমা ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ১গা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস):**
পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা শওম্বুং টেজপুরদগী মীওই অমা ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অসিগী মমিং সুলমি অউংসি (৫৩) কৌই, কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী মুইরৈ খুলদগীনি হায়রি।

### য়ু জি মরি ফারে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস):**
ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন অহুমগী কাদর মরি ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী লৌশাংখোং মখা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## স্প্রীং সেদ মেনেজমেন্টগীদমক য়ুনিভর্সিটিশিং, লোয়শঙশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা খূৎশম্নগদবনি : চান্দবাবু

### ৩লকশুবা ইন্টর দিপার্টমেন্টেল রাউন্দ টেবল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয় অমদি স্কোলরশিংবু মাগী-মাগী ফূরুপকী অমসুং খুন্নাইগীদমক মশক থোকপা এস্বেসেদরশিং ওইহল্লক্নবা হোৎনবা হায়বসি একাদেমিক ইন্সটিট্যুশনশিংগী মরু ওইবা থৌদাং ওইগদবনি হায়রদুনা মখোয়গীদমক লৌখৎকদবা স্প্রীং সেদ মেনেজমেন্টদা মায় পাকহন্নবগীদমক য়ুনিভর্সিটিশিং, লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং অমসুং লোকল ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা খূৎশম্না হোৎনমিন্নবা চঙই হায়না দি এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবুনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙ অসিদি বডজেট পীকপনা করিসু তৌবা ঙম্লোই : কম্মিস্নর জ্ঞানপ্রকাস

### লাইরিক্কী ফার্ম ৪৩না শরুক য়াদুনা ৩২শুবা ইম্ফাল বুক ফ্যের হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :**
লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙ অসিদি বডজেট পীকপনিনা করিসু তৌবা ঙম্লোই অদুগা পীরক্কনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈবসু য়াদবনিনা থিবা চঙই হায়না লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নর ঐচ জ্ঞানপ্রকাসনা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি অমসুং মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসকী কেম্পসতা হৌদোকখিবা ৩২রক শুবা ইম্ফাল বুক ফ্যেরগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখ্রে।




মহাক্না হায়, রাজা রাম মোহোন রোয় লাইব্রেরি ফাউন্দেশনদগী খরা ফংলম্বদুসু চহী ১/২ শুরে ফংদবা হায়রিবসি দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা লৈরম্বসু য়াই, মালাগী অৱাৎপা লৈরম্বসু য়াই অদুবু ঙসি হৌদোক্লিবা বুক ফ্যের অসি মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএশনগা পূল্লগা ...মখা লমায় ৮ কলম ৫

### ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস):**
থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চূপ্পা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল ২০২৫ য়েংবা লাকপা টুরিষ্টশিং য়াওনা মীয়ামদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌ তাবা মতেংশিং পীগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সীনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পুলিস কন্ট্রোল রুম, মেদিকেল হেল্প লাইন অমসুং ফেষ্টিবেল হেল্প দেস্ককী টেলিফোন নম্বরশিং ফোঙদোরকখ্রে।

### 'টাইগর' পার্টিদগী তান্থোকখ্রবা মীশক্লি : চরাইরোংবা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ :**



পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### মীওই ১ অমুক্কসু চহী ২০গী ফাদোক পীরে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস):**
ঙসিদগী চহী ৬ লোমগী মমাঙ ওক্টোবর ১২, ২০১৯দা নোংদম মনীং লৈকায়দগী মতমদুদা মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবা খাইদেম বিশেমভোর এলিয়জ সুরেস অপোকপা কে ঐচ রঞ্জিৎ কৌবা মীওই অমনা চহী ৭/৮ লোমদা ঙাইরিবী নুপীমচা অনীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ভি দি এফশিংনা গন অমসুং পেন দাউন ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস):**
মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ) শিংগী দিমান্দ থা অসিগী ২৩ ফাওবদা পীদ্রবদি মথংগী নুমিৎতগী মতম কত্তুনা গন দাউন অমদি পেন দাউনগী ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক্লা ওর্দর ওইনা থোরক্তিবা ফাওবা মখা তানা ৱারী শানরোই হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট শগোলশেম সঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

...মখা লমায় ৮ কলম ৬

## অসুক কুইনা রিলিফ কেম্পতা লৈহনগদবগী শরুক লান হৌরকপা মে ৩, ২০২৩ অদুদা থৱায় থারম্বনা হেন্না ফরে হায়না খল্লক্লে

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মোটবুংদগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মোটবুং ময়ায় লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৬০ শুরবা কোন্সম ওংবী বিনাসখিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী হেন্না থম্মোয় কায়রিবদি লৈঙাক্লা ঐখোয়গীদমক অৱাবা ৱাকৎ কয়া অমা তাশিন-উশিন্নদনা ঐখোয় অসি খরা চারি অমসুং খরা থক্লি হায়রগা থম্বীরকপা অসিনি। অদুগা হন্দক মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগীদমক্তদি লম্বী ফত্তবা ফাওবদা খুদক্তা হেক্তমক শেমজিন্দুনা শেল চাউনা থাদদুনা পাঙথোকখি। অদুগা ঐখোয়গীনা চিনহায়দা খক অমদি চেদা খক ফজরগা থবক ওইনদি অমত্তা ওন্থোকপীদে। হন্দক মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকখিবদা ঐখোয়দা করিসু নুংঙাইতবা লৈতে অদুবু লৈবাক অসিদি হৌজিক অসুক ৱানা অমসুং তংদু লৈতাদনা লৈরিবা মীৎকুপ অসিদা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়বনি। ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকখিবনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংদা করেম্নবগুম থোকহল্লি হায়রকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক নোংমৈ মখোল তাদ্রগা লান লোইরে হায়বা য়াব্রা হায়বা ৱাহং পাউচে অসিদা হংলদুনা হায়, লান লোইরে হায়রবদি ঐখোয়সু য়ূমদা হঞ্জিজরগে। রিলিফ কেম্পতা লৈরগা শুফম নোম্ফমসু লৈতে, হিংননবা লল্লোন ইতিক অমা তৌনীংবসু ফাওদ্রে। কেম্পসতা লৈবনিনা মনা-মশিংদা ওইরবসু য়োঞ্জগে খনবদা কিরে। ইশাগী ৱাখলসু পীকশিল্লে। এঞ্জাং-নাপি য়োল্লুরগা করিগুম্বা মীনা লৈবীদ্রবদি পৎতুনা মাঙখিগদ্রা হায়বগী পাখৎপা পোক্লে। শেন্দোং ফংলোই হায়না খল্লে। হন্দক চহীগী পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবা অদুসু চপ মান্নে। মীগী য়ূমদা য়ূম্নাক শাগে ওনখ্রবা ইচা নিঙোলশিং অদুনা করিগীদমক মমা ঐগী নাক্তা চাক্কৌবা লাক্লিংলল্লোইদৌরিবনো। অদুবু মী ফাওবা ফম্ফম লৈতবা, শেন্থোক লম্বীসু লৈতবা রিলিফ কেম্প অসিদা করম্না ইচা নিঙোলশিং চাক্কৌরুগনি। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসিসু মঙদা-হাদা ইশাগী মৈ থাদোকপীখ্রবা য়ূম অদু উবা মতমদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকই। মসিদা নত্তনা ইঙ্খোল অদুবু কোনবীরিবা ইবুধৌ ইবেনধৌগী লাইশঙ ফাওবা কুকি লমহেনবশিংনা কাওখায়দুনা থুগাইখিবগী পাউ তাবা মতমদা অদুক্কী মতিক পেন্দবা ফাওই। ঐহাক্না লাৎচরম্বা লাইশিং অদু করম্না লৈরমগদগে খনবদা য়াম্না ৱাই হায়না মমিৎতগী মপি তানা ফোঙদোরকখি।

## হোম অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট লেভেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) :** গভর্ণর এ কে ভল্লানা চ্যের লৌদুনা ঙসি লৈঙাক্কী হোম অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট লেভেল কনফরেন্স অমা লোক ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অসিদা মমাঙ থাগী ২৮দগী ৩০ ফাওবা রাইপুরদা পাঙথোকখিবা দি জি পি/আই জি পিশিংগী কনফরেন্সতা পুথোক্তুনা খন্নখিবা ৱাফমশিংদা মীৎয়েং থমখি।

ঙসিগী কনফরেন্সদা শরুক য়াখিবা দি জি পি রজিব সিংহনা রাইপুরগী কনফরেন্সদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা ৱাফমশিং গভর্ণরদা পাউদমখি। ৱাফমশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫